**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-07.2024)**

**দেঙ্গি (এল)ঃ** কাংনা থোকহনবা লায়নাশিংগী টেষ্ট রিপোর্টশিং লন্নাই অমসুং সরকারগী হোস্পিতালশিং অমসুং লেব্রোরেটোরিশিংনা শুংশোই শোয়দনা পীখৎলকবা রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা খঙহল্লি।

হকশেল বিভাগকী দাইরেক্তর-ডা: ও. সনাহনবী দেবীনা মরি লৈনবা সরকার অমসুং লন্নাই হোস্পিতালশিংদা চেরোল অমা থাদুনা টেষ্ট রিপোর্ট পীরক বা খঙহনখিবনি। চেরোল অদুনা হায়-কাংনা থোকহনবা লায়নাশিং হেনগৎলকপা অমদি মসিদগী চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎনবগীদমক সরকার অমসুং লন্নাইগী হোস্পিতালশিংনা কাংনা শন্দোকপা লায়না মরুওইনা মেলারিয়া, দেঙ্গি, জপানিস ইনসেফেলাইটিজ, চিকন গুনিয়ানচিংবগী টেষ্ট রিপোর্টশিং শুংশোই শোয়দনা হকশেল বিভাগতা পীখলিক্কদবনি।

**কেম্প (এল)ঃ** অমজগী গোর্ল্ডন জল্লি থৌরমগা মরী লৈননা ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মনিপুর প্রেস ক্লবতা লেমা লায়েংবগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

সঙাই ত্রষ্ট ফাউন্দেসন, লৈমা চনু নৱা তেংবাং লুপ, ইন্দিয়ান দেন্টেল এসোসিয়েসন মনিপুর ষ্টেট ব্রান্স, ইবোতোম্বী আই কিয়ার কাঞ্চিপুর অমসুং অমজনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা পাউমী অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওই ১৬০ হেন্না লায়েংখি।

**কেম্প (এল)ঃ** ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসোইতি মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ব্রান্সকা খুৎশমরগা ককচিংগী কৈরক্তা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা

মীওইশিংগীদমক হেলথ চেক-অপ অমসুং বেসিক সাইলোজিকেল সপোর্টকী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

**শিক্ষা (এল)ঃ** মহুদ মন্ত্রি-ৰাই. খেমচান্দনা ঙসি সলাম গ্লোবেল এদুকেসন কন্সলটেন্ট ওফিস অমা ক্বাকৈথেল বজার ইম্ফাল ৰেষ্টতা হাংদোকখ্রে। সলাম গ্লোবেল এদুকেন কন্সলটেন্টনা শিনবা থৌরম অদুদা ৰা ঙাংলদুনা শ্রী খেমচান্দনা হায়-ৰার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন (ডব্লিয়ু.ঐচ.ও) গী রিপোট মতুং ইন্না মীওই লিশিং অমমমগী ডাক্তর অমা লৈগদবনি। অদুমওইনমক, রাজ্য অসিদদি হৌজিক ডাক্তর ৰাৎপগী চাং ৰাংলি অমদি চাদা ৯০ গী খেৎনবা লৈরি।

মহাকা হায়-মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইনিদয়া (এম.সি.আই) না শকখঙলবা ভারতকা নকনা লৈবা লৈবাকশিংদা মেদিকেল তম্বনা হেন্না খুদোংচাবা ফংগনি খল্লি।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** টেক্সতাইল কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ মন্ত্রি-নেমচা কিপগেননা কাংপোকপী জিলাগী লাইকোপ ভিলেজকী লাংহোইদা লৈবা দাইট ট্রেন্নিং সেন্টরদা চৎতুনা মফম অদুদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি মফম অদুদা লৈবা এন.জি.ওশিংনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক স্কিল দিবলপমেন্ট প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। প্রোগ্রাম অসিগী খুত্থাংদা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংবু তোঙান তোঙানবা খুৎ-শা হৈবগী লৌশিং গ্যান পীদুনা শেন্থোক লৈনবা হোৎনবনি। দাইট ট্রেন্নিং অসিদা ইমুং ১০৯ গী মীওই ৪৩৪ রোম চংজফম লৌদুনা লৈরি। ঙসিগী থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মহেশ চৌধুরিনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**লাইব্রেরী (এল)ঃ** ৱিমেন এন্দ রুরেল অপরাইজিং ওর্গনাইজেসন (ৱারু) পব্লিক লাইব্রেরী কৌবা লাইব্রেরী অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লংথাবাল কংঞ্জা মখা লৈকাইদা হাংদোকখ্রে।

ৱারুগী মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা-ক্ষেত্রিময়ুম বেল্লিনা হায়-লাইব্রেরী অসি রাজা রাম মোহোন রোই লাইব্রেরী ফাউন্দেসন-কোলকাতাগী মীৎয়েং মখাদা হাংদোকপনি। মসিদা অঙাংগী য়াওনা তোঙান তোঙানবা সেক্সন অহুম খায়দোক্তুনা থম্লি। মহাকা হায়-মহৈরোইশিংদা খরদং ওইরবসু লৌশিং গ্যান পীবা ঙমবা পান্দমদা লাইব্রেরী অসি হাংদোকপনি। মতমগা চুন্নরবা লাইরিকশিং হাপচিনদুনা কম্পিটিব ওইবা যুগ অসিদা মহৈরোইশিংদা হেন্না খুদোংচাবা ফংহন্নবা মখা তানা হোৎনখিগনি হায়না শ্রীমতি বেল্লিনা ফোংদোকখি।

**উ(এল)ঃ** পুন্না হিংমিন্নবা মরুপ-ৱাইতোননা শিনদুনা ৱাইতোন মখা লৈকাই গ্রাউন্দদা উ চারা থাবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মরিরকশুবা ওইনা নোংমাইজিং খুদিংগী উ চারা থাবগী থৌরম অদুদা সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি.এফ.ও.-গনেস নাগরাঞ্জন, আর.এফ.ও. শওম্বুং-কোন্সম রাঘু সিংহ অমসুং ইনভাইরোনমেন্টেল এক্তিভিষ্ট-লিসিপ্রিয়া কাংঙুজম শরুক য়াখি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা দি.এফ.ও. গনেস নাগরাঞ্জননা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবা স্কিম, এক পের মা কে নাম হায়বা স্কিম অসিগী মখাদা রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা পাক শন্না উ চারা থাবা থেংনরে। মসি লমদম অসিদা অহোংবা অমা পুরকপনি হায়না লৌবা য়াই। মহাকা হায়-মীওইবা অমনা হিংবদা দরকার ওইরিবা ওক্সিজেন অসি উ পাম্বীশিংনা পুথোকপা মরমনা উ-ৱা পাক শন্না থাবা হায়বসিমক তঙাইফদে।

**লীলা(এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল অমদি ঠিয়েটর মিরর মনিপুরগা পুন্না খুৎশমদুনা মোইরাং পর্বগী মতাংদা থা অমা চুপা চথগদবা ঠিয়েটর ত্রেন্নিং ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা

হৌদোকখ্রে।

থৌরমদুদা নৌনা পুথোক্কদবা শুমাং লীলা ‘ দা থার্দ মে’ গী য়াইফ থৌনি থৌরমসু পাঙথোকখি।

**লাইওন্স (এল)ঃ** লাইওন্স ক্লব থৌবালগী মেম্বরশিংনা ঙসি থৌবাল কেনেলগী পরিংদা উ চারাশিং থাখ্রে। মালেমদা হৌজিক অকোহবগী ফিভম কায়থরক্লিবা অসি খরদা ওইরবসু কন্নবা পান্দমদা উ চারাশিং অদু থাখিবনি।

**উ(এল)ঃ** শ্রীশ্রী বালাজি সেভা সমিতি অমদি মহাত্মা সেভা আশ্রমগী মেম্বরশিংনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কোন্থৌজমদা লৈবা আশ্রম অসিগী অকোইবদা উ চারাশিং থাখ্রে।

**উ(এল)ঃ** থোবাল জিলাগী হৈরোক কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা লাংমৈথেৎতা নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী লাই থৌগল লুপ অমদি মফম অদুগী মীয়ামগা খুৎশমরগা খুঙ্গং অসিগী অকোইবদা উ চারা কয়ামরুম থাখ্রে হায়রি।

**অমজ্ (এল)ঃ** মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরনা ঙসি ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ্) গী মখাদা মনিপুর প্রেস ক্লবতা হাংখিবা মেদিয়া রিছোর্স সেন্টরদা লাইরিকশিং খুদোল তমখ্রে।

লাইরিক খুদোল তম্বা অদুদা শরুক য়াখিবা অমজ্গী প্রসিদেন্টে-বিজয় ককচিংতাবমনা হায়-মনিপুরগী মরমদা পাউমীশিং, মরুওইনা মপান লমদগী পাউমী অমদি রিছার্স তৌনিংবা মীওইশিংগী খুদোংচানবগীদমক মেদিয়া সেন্টর অসি হাংদোকখিবনি। মনিপুর বিধান সভাগা মরী লৈনবা অরিবা চে-চাংশিং অমদি লাইরিক পীরকপগীদমক অমজ্না অধ্যক্ষবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**কেম্প(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বোইখোংনাংখোংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা পুং-ঈশৈ, জগোই, পেনা তন্বীবগী থৌরম অমা ঙসি হৌদোকখ্রে।

লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ডকী পুং-ঈশৈ, জগোই অমদি পেনা লোইশঙনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরিবা মীওই ৫০ হেনবনা শরুক য়াখি। থৌরম অসি নোংমাইজিং খুদিংগী পাঙথোক্কনি হায়রি।

**কিমাক্স(এল)ঃ** কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সেল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইতি (কিমাক্স) না শিনদুনা হন্দক্তা বোর্ড অমসুং কাউন্সিলনা লৌবা পরিক্ষাদা থাং-তা সবজেক্টতা মকোক তাখ্রবশিং ওকপগী থৌরম অমা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা গভরমেন্ট দান্স কলেজতা পাঙথোকখ্রে। হন্দক পাঙথোকখিবা মেত্রিক পরিক্ষাদা মহৈরোই লিশিং ৩,১৬৮ অমসুং ক্লাস টুয়েল্ভ পরিক্ষাদা মহৈরোই ৪০০ হেনবনা থাং-তাবু সবজেক্ট অমা ওইনা লৌদুনা পরিক্ষা থাখি।

**নুঙবা(এল)ঃ** নুঙবা কেন্দ্র সিটিজন ফোরমনা হায়রি-কেন্দ্র অসিগী পীফম থোকপা চেং কুইটন লিশিং ১,২৬৪ গী মনুংদা হৌখিবা চহি অনি অসিদা শুপ তগী কুইটন ৯৪৮ পীরকপনা মীয়ামদা চেং ফংদবগী অৱাবা মায়োকরি। ফোরম অসিগী কনভেন্নরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-মরি লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা পীফম থোকপা কুইটন ১,২৬৪ পীথোকপীনবা হায়রি।

**সেসনঃ** সংসদকী নোংজ্ মীফম হয়েংদগী হৌরগনি। মসিগী মাংওইননা সরকারনা রাজনিতি দল পুমমক্কী মীফম অমা ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম শান্তি ওইনা পাঙথোকবা হোৎনবদা মতেং পাংবীনবা হায়জখি।

মীফম অদুদা কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং-রাজনাথ সিংহ, কিরেন রিজিজ, অরজ্ন রাম মেঘৱাল, জে.পি. নদ্দা, চিরাক পাসৱান্ট, রাম দাস অথাৱালেনচিংবা শরুক য়াখি। কংগ্রেস লুচিংবা জয়মরাম রামেশ, গৌরব গোগোই, দি.এম.কে. লুচিংবা টি.আর. বালু, এন.সি.পি. লুচিংবা প্রফুল পতেলনচিংবা মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

মীফম লোইরবা তুংদা, পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজজ্না হায়-সরকারনা হীরম খুংদিমক্তা সংসদতা ৱা খন্ননবা থৌরাং তৌদুনা লৈ। সংসদকী মীফম নীংথিনা পাঙথোকহনবা হায়বসি সরকার অমসুং বিরোধিগী চাউরবা দায়ত্বনি।

বজেট মীফমগী হয়েং অহৌবা নুমিৎতা কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমলা সিতারামননা ইকোনোমিক সর্ভে পুথোক্কনি।

য়ুনিয়ন বজেট-২০২৪-২৫ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারমননা পুথোক্কনি। মীফম অসি মথং থাগী ১২ ফাওবা চত্থগনি। হন্দক্কী বজেট মীফম অসি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন.দি.এ. সরকারগী অহুমশুবা টার্মগী অহানবা বজেটনি। মীফম অসিদা সরকারনা অনৌবা বিল তরুক পুথোক্লবা য়াই। বিলশিং অদুদি, দিজাস্তর মেনেজমেন্ট (এমেন্দমেন্ট) বিল, দা ব্লোইলরস বিল, দা ভারত্তিয়া বাইয়ুয়ান বিধায়ক, দা কোফি (প্রমোসন এন্দ দিবলপমেন্ট) বিল অমসুং দা রবর (প্রমোসন এন্দ দিবলপমেন্ট) বিলনি। মমাং থাদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা সভা অনিমক্কী মীফমদা ৱা ঙাংবদা হন্দক্কী বজেট মীফম অসি য়ামা কান্নবা অমসুং তুং কোইনা চৎনগদবা বজেট অমা ওইগনি হায়না ফোংদোকখ্রবনি।

**নোংঃ** মেট বিভাগনা হায়রি-অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম শিনবা থুংবদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অখাক অরাওগা লোয়ননা ময়াই ওইরপ্পদগী কন্না নোং চুরবা য়াই। মনিপুরদসু ঙসি নুংথিল ময়াই ওইরপ্পদগী কল্লপ নোং চুখি।

চেরোল অমদা বিভাগ অসিনা হায়-উত্তরাখন্দগী মফম কয়াদা ঙসি অমসুং হয়েং অকনবা নোং চুগনি। লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। নোংপোক ভারত অমসুং খা ভারতকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা নোং চুগনি। অৱাং ভারতকী মফমশিংদসু হয়েং ফাওবা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

**গুরু পুর্নিমা ঃ** লৈবাক অসিদা ঙসি ব্যাস পুর্নিমা হায়নসু খঙনবা গুরু পুর্নিমাগী পালন থৌরম পাঙথোক্লি। কুম্মৈ অসি গুরুশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎতুনা পাঙথোকপনি। নুমিৎ অসিদা মীয়ামা মখোয়বু শেম্বী শাবীরকপা গুরুশিংবু নিংশিংবগা লোয়ননা মখোয়গী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি। ভগবান বুদ্ধনা বোধি খোঙনাংগী মখোঙদা অরান খুভম ফংলবা তুংদা ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মহাক্কী অহানবা পাউজেল পীখি। ভগবনা বুদ্ধনা বুধগয়াদগী সরনাথ ফাওবা চৎখি অমসুং ঙসিগী পুর্নিমা নুমিৎ অসিদা মহাক্কী পাউজেল পীখি। বুদ্ধবু নীংজবা মীওইশিংনসু ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মহাক্কী পুজা কৎলি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকে অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনসু মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পাউজেল অমদা, রাজ্যপাল অনুসিয়া উইকেনা গুরু পুর্নিমা নুমিৎ অসিদা মীয়ামবু থৌজালবীবা অমসুং লৌশিং গ্যান পীবা ওইরসু হায়রি। ঙসিগী শেংলবা নুমিৎ অসিদা মীয়ামনা মখোয় মখোয়বু লমজিংবীরম্বা অমসুং লৌশিং গ্যান পীবিরম্বা গুরুশিং অমদি লুচিংবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী বিরেন্না হায়-গুরু পুর্নিমা নুমিৎনা লাকপদা ঐখোয়গী পুন্সি খোঙচৎতা গুরুশিংগী থৌজাল অমসুং লমজিং লমতাক্কী মখাদা ঐখোয় খুদিংমকা গ্যান লৌশিং লৈবা, অচেৎপা ফিরেপ লৌবা ঙম্বা অমসুং অফবা মীওই অমমম ওইনবা হোৎনরশি।

**ছাত্রঃ** বি.এস.এফনা হায়রি-ঙরাং ফাওবদা ত্রিপুরাদা হাংবা ইন্টিগ্রীতি চেক পোষ্ট অনিদা বঙ্গলাদেসতগী ভারতকী মহৈরোই ৩৭৩ অমসুং নেপালগী মহৈরোই অহুম চংল্লকখ্রে। হৌখিবা মতম খরা অসিদা বঙ্গলাদেসতা কোটাগী মায়োক্তা হিংশা থোরকপদগী আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভমদা চাউনা শিংনবা লাকপদগী মহৈরোইশিং মখোয় মখোয়গী মরমদমদা হল্লকরি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ত্রিপুরা ফ্রন্টিয়ারগী ইন্সপেক্তর জেনরেল-পতেল পিয়ুস পুরুসোতম দাসনা হায়-সোনোমুরা জিলাদা লৈবা শ্রীমনপুর ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্টতা মহৈরোই ৩০০ অমসুং অখৌরা চেক পোষ্টতা মহৈরোই ৭৬ চংল্লকখি। মহাকা হায়-ঙসি চেক পোষ্ট অনি অসিদা ভারত মচা ৩০০ রোম চংল্লক্লবা য়াই। য়াল্লবা ভারত মচাশিং বঙ্গলাদেসতা মেদিকেল তমদুনা লৈরি। আই.জি.পিনা হায়-কিলোমিটর ৮৫৬ শাংবা ভারত বঙ্গলাদেস ঙমফৈ পরিংগী ত্রিপুরাগী শরুক্তা চাদা ৯৫ শম্বাল খাবগী থবক লোয়শিল্লক্লে অমদি হৌজিক কিলোমিটর ২৭.৫ শম্বাল খানবগী থবক চথরি।

**কপঃ** শ্রীলঙ্কাগী দম্বুলাদা চথরিবা ৱিমেন এসিয়া কপ টি-টৌইন্তি ক্রিকেটতা ভারতনা য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটসপু রন-৭৮ তা থোইখ্রে। য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটসনা টোজ ঙমদুনা ভারতপু হান্না বেটিং তৌহনবদা অপিবা ওভরদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন-২০১ লৌখি।

য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটসনা পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা অপিবা ওভরদা ৱিকেট ৭ তুরগা শুপতগী রন-১২৩ লৌখি। মসিগা লোয়ননা ভারতকী নুপী টিমনা মেটচ অনিদগী পোইন্ট মরি ফংলি।